# ন্যু য়োর্কতা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম মীওই তরুক্না থুগায়খ্রে লোকেল ভোলুন্টিয়র গ্রুপ অমনা মদুবু ঙাক শেনবা হৌখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
ন্যু য়োর্কতা লাইশঙ অমগী মমাংদা লৈবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম অমা থুগায়খ্রে। মদু থা অসিদা মেমোরিএল অদুদা চথখিবা অনীশুবা এটেকনি। লোকেল ভোলুন্টিয়র গ্রুপ অমনা মীতম অদুবু কন্নবা হোৎনখি হায়রি।



লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অঙনবদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়ুএসতা গান্ধীগী মীতমশিংদা পরিং নাইনা চথরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি, মদুদি শ্রী তুলসি মন্দিরদা লৈবা মীতম অদু মীওই তরুক্না অচৌবা নুঙথং অমা শীজিন্নরগা থুগায়খিবনি অমসুং মদুগী অকোয়বা অমসুং লম্বীদা হঙ্গোই তুক্কৎচবগী ৱাহৈ ৱাতা কয়া ইদুনা থমখি।

ক্বিন্স দেল্লি ইগলগী মতুংইন্না মীতম অদু মমাঙদা ওগষ্ট ৩ দসু থুগায়নবা হোৎনখি। পুলিসনা এটেক অদুদা চেন্নরম্বনি হায়না চিংনবা চহী ২৫ দগী ৩০ ফাওবগী লেঙ্গাশিং ওইবা মীওইশিং অদুগী সর্ভিলেন্স ভিদিও অমা রিলিজ তৌখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না মীওইশিং অদু অঙৌবা মার্সিদিস বেঞ্জ অমা তোংদুনা মফম অদুদগী চেনখি অমসুং অমুবা মচুগী কার অদু টোয়োটা কেমরি মাল্লি। লোয়ননা মদু ৱাইরগা শীজিন্নবা য়াবা গাড়ী অমসু মাল্লি।

মীখলদা মায় পাক্তুনা ন্যু য়োর্ক ষ্টেট লেজিসলেচরদা থাগৎলকখিবা অহানবা হিন্দু ওইরিবা এসেমব্লি মেম্বর জেনিফর রাজকুমারনা শগোলশেল নুমিত্তা সিবিএস ন্যু য়োর্ক দেল্লিদা ফোঙদোকখিবদা গান্ধীগী মীতম অদুবু থুগায়নবা হোৎনখিবা অদু থাজবগী ৱাংমদনি। মদু ঐখোয়গী কম্ম্যুনিটিগী ওইনা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি।

লাইশঙ অদুগী ফাউন্দর পণ্ডিট মহারাজনা ন্যু য়োর্ক পোষ্টতা হায়খি, মদুদি গান্ধীগী শক্তম অমা লৈবা হায়বসি মফম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লৈরিবনি হায়না লৌনরিবনি।

অসিগুম্বা মীয়ামগী থাজবা অসিগী মায়োক্তা কনাগুম্বা খরনা খঙহৌদনা লাক্লগা মীতম অদুদা টার্গেট তৌবা মদুবু মাঙহন তাকহনবা হায়বসি অৱাবগী মশক্নি।

চৈরকসিদা সিটি লাইন ওজোন পার্ক সিভিলিয়ন পেট্রোল হায়না খঙনবা ভোলুন্টিয়র ৱাটচ গ্রুপ অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ত্বিটর পোষ্ট অমদা গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিংনা লাইশঙ অদুগী অকোয়বদা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গ্রুপ অসিনা ত্বিট অমদা হায়খি, মদুদি তুলসি মন্দিরদা ঐখোয়গী মেম্বর মশিং য়াম্না লৈদুনা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলে অমসুং ১০৬ প্রিসিঙ্ককী পুলিস কাংবুসু মফম অদুদা দিপ্লোই তৌদুনা ঙাক শেল্লকপসিদা ঐখোয়দা নুংঙাইবা ফাওই। অহানবা এটেক অদুগী মনুংদা রাজকুমারনা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবস ফোরেন এফিয়র্স কম্মিটিগী গেগোরি মিক্স য়াওনা ইলেক্টেদ ওফিসল কয়াগী মীফম অমা কৌদুনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌহনখি অমসুং এটেক অদুগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা দিমান্দ তৌখি।

কাঙলূপ নাইবা মওংদা অতোপ্পা কাঙলূপ অমবু হঙ্গোই তুক্কৎচবগী থৌওংশিং উৎপা অসি ঐখোয়গী কম্মুনিটি অমসুং লৈবাক অসিদা চন্নফম লৈরোই। অসিগুম্বা এটেকশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা লিগেল এক্সন লৌখৎকদবনি হায়না দেল্লি ইগলনা মিক্সকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

লাইশঙ অদু ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা মীওই কয়ানা খুন্দাবা মফম অমা ওইরিবা সাউথ রিচমোন পার্কতা লৈবনি। লেক্তিকসশিং অমসুং খালিষ্টানিশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মফম কয়াদা লৈরিবা গান্ধীগী মীতমশিংদা টার্গেট তৌদুনা লাকখি।

করিগুম্বা মতমদা মখোয়না মীতমশিং অদু লৌথোক্নবা পিটিসন থাদুনা তকশিনখি। মদুদা মখোয়গী অপাম্বা ফঙদ্রবদি মীতমশিং অদুবু থুগায়বগী থবক চথদুনা লাক্লি।

কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারীদা পলিসকী কা হেনবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথরিদুনা মনুংদা ৱাশিংতনদা লৈবা গান্ধীগী মীতম অমদা মীওই কয়ানা এটেক তৌখি অমসুং মদুদা এন্টি-ইন্ডিয়া স্লোগান কয়া ইশিনখি। মদু ইনি দয়াদা লৌমীশিংনা ঈথৌ শৌগৎলদুনা পাওথোকখিবা প্রোটেষ্ট মনুং হৌখিবা চহীশিং দিসেম্বরদা প্রো-খালিষ্টানি ইলিমেন্টশিংনা অমুক থুগায়খি।

# য়ুএনননা ইজরেলদা হ্যুমেনিটেরিয়ন ৱার্করশিং পলেষ্টাইনদা মখা তানা মথৌ তৌহন্নবা তকশিনখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
হ্যুমেন রাইটস অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংবু ওক্যুপাইদ পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরি (ও পি টি) দা মখা তানা মথৌ তৌবা য়াহন্নবা য়ুএনননা ইজরেলদা তকশিনখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী রামালাদা লৈবা পলেষ্টিনিয়ন হ্যুমেন রাইটস অমসুং হ্যুমেটনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংগী ওফিস তরেৎতা থোমজিন্দুনা ছর্স তৌখি অমসুং ওফিসশিং অদুবু সিল্ড তৌশিনখি।

ওফিসশিং অদুদা লৈরম্লিবা পোৎশকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা মাঙহন তাকহনখি অমদি ওফিসশিং অদুবু থিংজিন্নবা মিলিটরিনা থোকখিবা ওর্দরশিং অদুগী প্রেমিসেসতা থল্লমখি।

পলেষ্টাইনদা লৈবা য়ুএন রেসিদেন্ট এন্দ হ্যুমেনিটরিয়ন কো ওর্দিনেটর লিন হেষ্টিংসনা হায়খি, মদুদি ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা ওফিসশিং অদুবু থিংজিন্নবা হোৎনখিবা অদুনা হ্যুমেন রাইটস অমদি দিভলপমেন্ট প্রমোট তৌনবা হোৎনরিবা লোয়ননা অৱা অনা তারবশিংদা মতেং পীরিবা ইন্সটিট্যুসন পুম্নমক্তা শোকহল্লে।

য়ুএন ন্যুজকী মতুং ইন্না য়ুএন অমসুং মসিগী পার্টনরশিংনা টেরোরিজম ফন্দিং তৌই হায়বা ইজরেলগী ৱাফম অসিগা লোয়ননা এন্টিটিশিং অসিবু অনলোফুল ওই নত্ত্রগা টেরর ওর্গনাইজেসনশিংনা হায়রিবা ইজরেল্লি দেজিগনেসনশিং অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। ফন্দশিং টেরোরিষ্ট শৌগৎপদা শীজিন্নখি হায়বদু অচুম্বা হায়বসি লেপথোক্নবা হোৎনগনি হায়না থাজবা কয়া পীবা লৈরবসু ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা ওপিটিদা মথৌ তৌরিবা য়ুএন এজেন্সিশিং নত্ত্রগা এনজিও পার্টনরশিংদা মতিক চাবা ইভিদেন্স অমত্তা পীবা লৈতে।

মেম্বর কয়ানা হন্দক্তা মখোয়দা ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা পীরিবা ইভিদেন্স অদু মখোয়না ওর্গনাইজেসনশিং অদুদা শীরিবা মরালশিং অদুগা চান্নদে হায়না লাউথোকখ্রবনি।

য়ুএন এজেন্সিশিং অমসুং এসোসিএসন ওফ ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্ট এজেন্সিস ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ওর্গনাইজেসনশিং অদুগী ওফিসশিং থিংজিন্নবা হোৎনরিবা অদু ইজরেলনা ওক্যুপাইদ পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরিদা হ্যুমেন রাইটস, হ্যুমেনিটরিয়ন অমসুং দিভলপমেন্টগী থবক থৌরমশিং য়ারিমখৈ মথৌ তৌহন্দনবা পরিং নাইনা লৌখৎলকখিবা এক্সনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংগী এক্সন অদুনা হ্যুমেন রাইটস, দিভলপমেন্টগী থবকশিং খুমাঙ চাওশিলহন্নবা হোৎনরিবা অমদি অৱা অনা তারবশিংদা মতেং ফঙহল্লিবা ইন্সটিট্যুসন পুম্নমক্তা শোকহনখি।

কাউন্টর-টেরোরিজম লেজিসলেসনশিং ইন্টরনেসনেল লো মরু ওইনা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটরিয়ন লো অমসুং হ্যুমেন রাইটস লোগা চান্নহনগদবনি হায়বা হৌখিবা নবেম্বরদা ইস্যু তৌখিবা মমাঙগী ষ্টেটমেন্ট অদুসু নৌহৌনননা পনখি।

# চহী ৮ গী মমাঙদা ফাখিবা মহৈরোয়শিং শিরে হায়না মেক্সিকোনা লাউথোকখ্রে

মেক্সিকো সিটি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
মেক্সিকোগী গুইরেরো ষ্টেটতা মহৈরোয় ৪৩ থীবা খঙখিদ্রবা মতুং চহী নিপান কান্নরগা মহৈরোয়শিং অদু শিরে হায়না গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।



মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়রগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর হ্যুমেন রাইটস অলেজান্দ্রো ইন্সিনাসনা শগোলশেল নুমিত্তা মেক্সিকো সিটিদা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি, মদুদি হৌজিক লৈরিবা ইঙ্গিৎ পুম্নমক্না মহৈরোয়শিং অদু শিরম্লগনি হায়বসি উৎলি।

মসি প্রেসিদেন্ট অন্দ্রেস মান্যুয়েল লোপেস ওব্রাদরসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহৈরোয়শিং অদুগী মরী মতাশিংদা খঙহনখ্রবনি হায়না ইন্সিনাসনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা মেক্সিকান গভর্ণমেন্টনা মহৈরোয়শিং অদু হৌজিকসু হিংলম্বা য়াই হায়বগী থাজবদা য়ুম্ফম ওইরগা মখোয়বু থীবগী থবক মখা তানা চথগনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকপনি।

হৌজিক ফাওবদা থীবদা ফঙলিবশিংদি মহৈরোয়শিং অদুগী মনুংদা অহুমখক্কী শরূ শয়াং মতেক মকায় খরদনি। কুমজা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বর ২৬ তা অয়োৎসিনাপা লৈবা রুরেল টিচর ট্রেনিং কোলেজ অমদা ষ্টদি তৌরিবা নহা ওইরিবা মীওই ৪৩ মখোয়না হুখিবা বসশিংদা তোংদুনা চৎলিঙৈ ইগুলা সিটিদা মাঙখিবনি।

মখোয়না বসশিং অদুদা তোঙদুনা চৎলিবদু করপটেদ ওইরবা পুলিস ওফিসারশিংনা কোইইন ইন্নখি অমসুং মখোয়না মহৈরোয়শিং অদুবু ক্রাইম সিন্দিকেট গুইরেরোস য়ুনিদোসতা শিন্নখি। মমাঙগী ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অমদা থীবা খঙখিদ্রবা মহৈরোয়শিং অদুগী হকচাংশিং অমোৎ অকায় লৈফম অমদা মৈ থাদোক্লক্লে হায়না পনখি। তৌইগুম্বসুং মদুগা মরী লৈনবা ইভেন্টশিংগী ভর্সন মতুং তাবদা অরানবনি হায়না লাউথোকখি।

মতম অদুদা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা লাউথোক্তুনা খঙহনখিবা ইভেন্টশিংগী ভর্সন অদু অরানবা ওইরম্লে হায়না ইন্সিনাসনা ফোঙদোকখি অমসুং মহৈরোয়শিং মাঙখিবদু তোঙান তোঙানবা লেভেলগী ইন্সটিট্যুসনশিং চেন্নবা ষ্টেট ক্রাইমনি হায়না ফোঙদোকখি।

# পুটিন অমসুং সি জিনপিং জি ২০ সম্মিটতা শরুক য়ারগনি

জকারটা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রেসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন অমসুং চাইনাগী প্রেসিদেন্ট সি জিনপিং অনীমক লাক্লিবা নবেম্বরদা বালিদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি ২০ সম্মিটতা শরুক য়াগনি হায়না ইন্দোনেসিয়াগী প্রেসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা লাউথোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা ফোঙখিবা ব্লুমবর্গকী ইন্টরভিয়ু অমদা ৱিদোদোনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, সি জিনপিং মীফম অদুদা শরুক য়াবা লাক্লগনি। প্রেসিদেন্ট পুটিননসু মীফম অদু য়াওবা লাক্কনি হায়না ঐঙোন্দা খঙহল্লক্লে।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ইন্দোনেসিয়ানা জি ২০ গী প্রেসিদেন্সি পায়রিবনি। ৱিদোদোনা পুটিনদা মীফম অদুদা শরুক য়ানবা ইনভাইট তৌখ্রবসু ক্রেমলিনগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা রসিয়ন প্রেসিদেন্ট অসিগী থৌরাংশিং কনফার্ম তৌরকপা লৈত্রি। ব্লুমবর্গনসু অহানবদা রসিয়ন অমসুং চাইনিজ সোর্সশিংদগী পুটিন অমসুং সিনা সম্মিট অদুদা শরুক য়াগনি হায়বসিগী কনফার্মেসন ফঙবা ঙমখিদে। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দারিঙৈ মরকসিদা পুটিননা সম্মিট অদুদা শরুক য়াবা হায়বসি নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা প্রোব্লেম অমা লাকহনগনি হায়না খন্নে। লৈবাক কয়ানা করিগুম্বা পুটিন মশা লাক্তুনা সম্মিট অদুদা য়াওবা তারবদি মখোয় মদুদা য়াওগদ্রা য়াওরোইদ্রা হায়বসি চপ চানা হায়বা ঙমদে হায়না ফোঙদোক্লরিবনি।

য়ুক্রেনগী প্রেসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিসু সম্মিট অদুদা য়াওনবা ইনভাইট তৌখ্রবনি। চাইনাসু য়ুএসকা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবনি। লৈবাক অনীগী উংখৎনবা অসি হন্দক্তা য়ুএস হাউসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা টাইৱানদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা অমদি মদুগী মতুং তাবদা য়ুএস কংগ্রেস্নেল দেলিগেসন অমনা টাইপৈদা চৎখিবনা অমুকসু হেনগৎহনখি। বৈজিংনা য়ুএসকী খোঙথাংশিং অদু কায়হৌবগী থৌওংনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা খোঙচৎশিং অদুগী পাউখুম ওইনা দিমোক্রেসি চৎপা ঈথৎ অদুগী অকোয়বদা পাক শন্না মিলিটরি মেনুবরশিং পাঙথোকখি।

# ব্রাসেলসতা শান্নখিবা কোসোবো-সর্বিয়া ক্রাইসিসকী ৱারী য়ানবা পুরক্তনা লোইশিনখ্রে



ব্রাসেলস, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
কোসোবো অমসুং সর্বিয়াগী মরক্তা উংখৎনবা হন্থহন্নবা ব্রাসেলতা পাঙথোকখিবা ক্রাইসিসকী মীফম অমদা নোংচুপ থংবা বালকান লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনা য়ান্নবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদ্রে।

ইয়ুগী ফোরেন পোলিসি চীফ জোসেফ বোরেলনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ৱারী শান্নবদা ঙসি য়ানবা অমত্তা পুরকপা ঙমখিদ্রে। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না নাকল অনীগী উংখৎনবা হন্থহন্নবা মখা তানা হোৎনখিগনি।

কোসোবোনা সর্ভশিংবু খৃষ্টিনাদা ইস্যু তৌবা ভেহিকল লাইসেন্স প্লেটশিং শীজিন্নহন্নবা লৌখিবা ৱারেপ প্রোটেষ্ট তৌরদুনা হৌখিবা জুলাই ৩১ দা নোর্দন কোসোবোদা লৈবা ইথনিক সর্ভশিংনা লম্বীশিং ব্লোক তৌবগা লোয়ননা বেরিকেদ কয়া শেমগৎপদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখি। ফিভম অদু কোসোবা সিটিজনশিংগী ওইনা সর্বিয়ানা ইস্যু তৌবা লাইসেন্স প্লেটশিং অমসুং দোক্যুমেন্টশিং মখা তানা নুমিৎ ৩০ নি হায়বদি ওগষ্টকী অরোইবা ফাওবা রিককনাইজ তৌগনি হায়না কোসোবোনা ফোঙদোরকপদগী খরা নেমথরকখি।

মহাক্কী ষ্টেটমেন্টদা বোরেলনা হায়খি, মদুদি ইস্যু অদু মখা তানা লৈখায় তাদনা লৈবা তারবদি অমুকসু হাংন-শুনবগী থৌদোকশিং থোক্কপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈরিঙৈ মরকসিদা য়েৎনরিবা অদুগী তুং কোইনা চৎনগদবা সোলূসন অমা ফংনবা হোৎনবগী মতম খরা হৌজিকসু লৈরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি লাক্লিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা সর্বিয়াগী প্রেসিদেন্ট অলেসেন্দর বুসিক অমসুং কোসোবার প্রাইম মিনিষ্টর অলবিন কুর্তিনা মখা তানা ৱারী শান্নবা হৌরগনি। প্রোব্লেম অসি সোল্ভ তৌবদা ৱারী শান্নবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতে হায়বসি প্রেসিদেন্ট বুসিক অমসুং পিএম কুর্তি অনীমক্না মুন্না খঙই। হন্দক্কী ভাইওলেন্স অদু লৈখায় তাম্থোক্তনা লৈরিবা রিজনেল কনফ্লিক্ট অদুগী লাইওং অমনি হায়নসু ইয়ুগী টোপ দিপ্লোমেট অসিনা ফোঙদোকখি। কোসোবো অসি লান তৌনদুনা কুমজা ১৯৯৯ দা সর্বিয়াদগী তোঙান্না তাখিবনি অমসুং কুমজা ২০০৮ তা মশানা নিংতম্লে হায়না লাউথোকচখিবনি।

# সাউথ কোরিয়াগী লিদরগী ৱাফম কিম জোং উনগী মচননা য়াখিদ্রে

সিওল, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা ন্যুক্লিয়রগী খুৎলায় লৈহন্দবা তারবদি পিওংয়াংদা শেল থুমগী মতেং পীগে হায়বা হন্দক্তা সাউথ কোরিয়ানা পিওংয়াংদা তৌখিবা ওফর নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগী মচননুপীনা মরম চাদবা মঙলাননি হায়না রিজেক্ট তৌখ্রে।



ওফিস পায়বা থা অহুম ফারক্লবা সাউথ কোরিয়াগী প্রেসিদেন্ট য়ুন সুক য়িওলনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা খুৎলায় থাদোক্লিংবগী ফিরেপ উৎলক্লিবমখৈ সাউথ কোরিয়ানা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অসিবু মতেং পাঙননবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না করিগুম্বা অমত্তা তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা সিওলনা মপুং ফানা দি ন্যুক্লিয়ারাইজেসনগী ৱাফম অসি তকশিল্লোই। কিম জোং উনগী মচলনুপী কিম য়ো জোংনা য়ুনগী ৱাফম অদু মরম চাদবা, ৱাহন্থোক লৈতবা অমসুং কান্নদবা মঙলাননি হায়না প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট অদু ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট মেদিয়ানা ফোঙখি। শগোলশেল নুমিত্তা রুল্লিং ৱার্কর্স পার্টিগী সেনিয়র ওফিসল অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা য়িওলনা হন্দক ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি তশেংনমক মরম চাদে অমসুং ৱাহন্থোক লৈতে।

# য়ুক্রেননা চথরিবা এটেকশিংনা চরনোবিলগা মান্নবা থৌদোক থোকহল্লকপা য়াই হায়না রসিয়ানা ৱার্নিং তৌখ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
য়ুক্রেননা হৌজিক রসিয়ানা কন্ট্রোল তৌবা জপারোজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্টদা লেপ্তুনা এটেক চথরিবা অসিনা য়ুরোপকী ওইনা হৌজিক থোক্লিবা ইনর্জি ক্রাইসিস অসিদগী য়াম্না হেন্না শাথিবা দিজাষ্টর অমা থোকহল্লকপা য়াই হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

রসিয়াগী ন্যুক্লিয়র বাইওলোজিকেল এন্দ কেমিকেল দিফেন্স ট্রুপসকী মকোক ওইরিবা ইগোর কিরিলোবনা শগোলশেল নুমিত্তা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা ৱা ঙাঙবদা য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র প্লান্ট অদুদা হকথেংননা হিট তৌবা মতমদা থোক্লক্কদবা খ্বাইদগী শাথিবা ওইবা য়াই হায়বা সেনারিও অমা থমখি। জর্নেলিষ্টশিংদা মহাক্না সাইট অদুদগী পোলেন্দ, স্লোবাকিয়া, রোমানিয়া, মোলদোবা, বেলারস অমদি জর্মনি ফাওবা য়ৌগদবা রেদিওএক্তিব মেটরিএল মপৈশিংগী মেপ অমা উৎখি।

মহাক্না য়ুক্রেনবু শৌগৎলিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু এটোমিক প্লান্ট অদুদা টার্গেট তৌবগী খুদোংথীবা অদুবু তরাইনা লৌই অমসুং কুমজা ১৯৮৬ তা থোকখিবা চরনোবিল দিজাষ্টর অমসুং কুমজা ২০১১ দা থোকখিবা ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়র দিজাষ্টরনা পীরিবা লেসনশিং কাউথোকই হায়না মরাল শীখি। কিরিলোবকী মতুং ইন্না দিজাষ্টর অনীমক্তা সপোর্ট সিষ্টেম ফেল ওইবা, পৱার সপ্লাই লেপখিবা, কুল্লিং সিষ্টেমশিং মপুং ফানা নত্ত্রগা মচেৎ ওইনা সটদাউন তৌখিবা য়াওই।



হায়রিবশিং অসিনা মরম ওইদুনা ন্যুক্লিয়র ফ্যুএল কা হেন্না শাগৎলকখি অমদি রিএক্টর অদু মাঙ তাকখি। চরনোবিল দিজাষ্টর অদুনা মালেমগী লৈবাক ২০ লোমদা শোকহনখি। মদুনা মীওই লিশিং মরি শিহনখিবগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কেন্সরগী কেসশিং হেনগৎহনখি অমদি মীওই লাক্ষ ১ রোম পুন্সিগী ওইনা তোঙানবা মফম অমদা হোংদোক্তুনা লৈখি। ফুকুসিমা ন্যুক্লিয়র দিজাষ্টর অদুগী ইফেক্টশিং অহানবদদি লুনা লৌনখিদ্রবসু মদুনা মরম ওইদুনা মীওই লাক্ষ মঙারোম ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা হোংনখি হায়না কিরিলোবনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# টর্কিনা সিরিয়াগী লম অমত্তা পায়শিন্নবা হোৎনবা লৈতে

ইষ্টানবুল, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
টর্কিনা সিরিয়াগী লম অমত্তা পায়শিন্নবা হোৎনবা লৈতে হায়না ইরাই নুমিত্তা টর্কিজ প্রেসিদেন্ট রেসেপ টায়িব ইর্দোগাননা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিজ ফোর্সশিংনা মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা কুর্দিষ্ট ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক তৌবা হেনগৎলকপা লৈনা লৈনা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা টর্কিজ ফোর্সশিংনা সিরিয়াগী বোর্দরদা লৈবা রেজিমগী ফোর্সশিংনা চল্লাইবা পোষ্ট অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবদা ফাইটর ১৭ শিখিবনি।

ৱার মোনিটর অমনা হায়খি, মদুদি টর্কিজ এয়র রেইদশিং অদুদা সিরিয়ন বোর্দর পোষ্ট খরদা লৈরিবা কর্দশিং অমদি রেজিমগী ফোর্সশিং শিখি। ওফিসল সিরিয়ন ন্যুজ এজেন্সিনা এয়র রেইদশিং অদুদা গভর্ণমেন্টগী লান্মী অহুম শিখি হায়না ফোঙদোকখি। এয়র রেইদশিং অদুগী মতাংদা পল্লদুনা টর্কিনা হায়রিবদি বোর্দরদা লৈবা টর্কিজ পোজিসনশিংদা এটেক চথরকখিবদা লান্মী অনী শিখিবগী পাউখুম ওইনা এয়র ষ্ট্রাইকশিং অদু চথখিবনি।

নাকল অনীগী মরক্তা চথনরিবা এটেকশিং অদু কুমজা ২০২০ দা অঙ্করা অমসুং দমাস্কসনা অমগা অমগা এটেক তৌনখিবা মতুংদা খ্বাইদগী চাওবা মওংদা খুৎ থানবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি। ইর্দোগাননা য়ুক্রেনদা লানগী মতমদা চৎখিবা মহাক্কী খোঙচৎ অমদগী হল্লকপদা ফ্লাইটতা তোঙমিন্নখিবা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা নাকল অনীগী টেন্সন অদুবু লুনা উহন্দনবা হোৎনখি।

# জপানদা কোভিদ কেস হেনগৎলক্তুনা মেদিকেল সিষ্টেমদা অহেনবা প্রেসর লৈরে

টোকিও, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
জপানদা কোভিদ লাইচৎ অমুক হন্না কনখৎলকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থা অসিদা লায়না অসিগী অনৌবা কেস মিলিয়ন তরুক হেন্না থেংনখ্রে অমসুং থংন থংননা মীওই কয়া শিখিবা নুমিৎ ১১ গী মনুংদা নুমিৎ ৯ নি নোংমদা মীওই ২০০ গী মথক্তা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখ্রে।

পেন্দামিক্কী তরেৎশুবা ৱেবনা থোকহল্লিবা মীশি মীনাশিং অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মেদিকেল সিষ্টেমদা প্রেসর চাওনা লৈরে হায়রি। শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা অনৌবা কেস ২৫৫,৫৩৪ রিপোর্ট তৌদুনা কুমজা ২০২০ গী অঙনবা শরুক্তা লৈবাক অসিদা পেন্দামিক য়ৌরকখিবদগী নোংমদা কেস ২৫০,০০০ দগী হেনবা অনীশুবা নুমিৎ ওইখি। পুন্না মীওই ২৮৭ শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা শিহল্লিবা মী মশিং অসি ৩৬,৩০২ শুরে।

জপানদা অকনবা লাইওংশিং চেন্দবা লোকেল রেসিদেন্টশিং য়ুমদা ক্বারেন্টিন তৌহল্লি অদুগা অরুবা লাইওংশিং চেনবশিংনা হোস্পিটলাইজেসন তৌনবা হোৎনবা উই। জপানগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না ওগষ্ট ১০ ফাওবদা লৈবাক অপুম্বগী ওইনা ইনফেক্সন লৈরবা মীওই ১.৫৪ হেন্না য়ুমদা ক্বারেন্টিন তৌদুনা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসি হৌখিবদগী খ্বাইদগী য়াম্বা মশিং ওইখি।

# য়ুএস মিলিটরিগী দোল্লর বিলিয়ন ৭কী ইক্বিপমেন্ট টালিবানগী খুৎতা তাখি: রিপোর্ট

কাবুল, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অফঘানিষ্টানগী মমাঙগী গভর্ণমেন্টদা দোল্লর বিলিয়ন তরেৎ হেনবগী মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট পীখি অমসুং খুৎলায়শিং অদুগী অয়াম্বা শরুক য়ুএস ট্রুপশিং ৱিদ্রো তৌখিবা অমদি লৈবাক অদুদা খঙহৌদনা লৈঙাক লৈতবগী ফিভম অমা লাকখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক ইমিরেটকী খুৎতা তাখি হায়না খানা প্রেসকী রিপোর্টনা হায়রি।

য়ুএস দিফেন্স দিপার্টমেন্টগী ইন্সপেক্তর জেনরেলগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না শেনফম অদুগী অয়াম্বা শরুক্তি কুমজা ২০২১ গী ওগষ্ট ১৫ দা ইস্লামিক ইমিরেটনা কাবুল কন্ট্রোল তৌখিবা মতমদা অফঘানিষ্টানদা লৈখিবা এমআরএপিশিং অমসুং হম্বীশিংগুম্বা টেক্টিকেল গ্রাউন্দ ভেহিকলশিংগী মমল ওইননি।

ভেহিকলশিং অদুগী অপুনবা মমল দোল্লর বিলিয়ন ৪.১২ রোমনি। দোল্লর বিলিয়ন ৭.১২ কী ওইগদবা য়ুএসনা ফন্দিং তৌবা ইক্বিপমেন্ট অদু মমাঙগী অফঘান গভর্ণমেন্টনা তুখিবা মতমদা মদুগী ইনফেন্টেরিদা য়াওখি। ইক্বিপমেন্ট অদুগী অয়াম্বা শরুক য়ুএস ট্রুপশিং ৱিদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা টালিবাননা পায়শিনখি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

টালিবানগী খুৎতা তাখিবা মিলিটরি ইক্বিপমেন্ট অদুগী মনুংদা মিলিটরি এয়রক্রাফট, গ্রাউন্দ ভেহিকলশিং, নোংমৈ অমসুং অতৈ কয়া য়াওখি। মমাঙগী গভর্ণমেন্ট তুখিবা মতম অদুদা অফঘান মিলিটরিদা রাইফলশিং, স্নাইপর রাইফলশিং, পিষ্টলশিং, মেছিন গনশিং, রোকেট প্রোপেল গ্রেনেদ লোঞ্চরশিং অমসুং হোৱিটজরশিং য়াওনা দোল্লর মিলিয়ন ৫১১.৮ কী ওইগদবা খুৎলায় ৩১৬,২৬০ সু শিন্নখিবনি। টালিবাননা কাবুল পায়শিনখিবা মতমদুদা লৈঙাক্কী ইনফেন্টেরিদা কম্যুনিকেসন্স এক্সপ্লোসিব দিটেক্সন, নাইট-ভিজন অমসুং অতৈ সর্ভিলেন্স ইক্বিপমেন্টশিংসু য়াওখি।

# ওষ্ট্রিয়াদা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই মঙা শিহনখ্রে

ভিএনা, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রিয়াগী মফম খরদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎলকপদগী অঙাং অনী য়াওনা মীওই মঙা শিখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট খরনা হায়রি।

ওষ্ট্রিয়ন ব্রোদকাষ্টর (ওআরএফ) কী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, করিন্থিয়া ষ্টেটতা উ কয়া তেকথরকপদগী চহী মরি অমসুং নিপানগী নুপীমচা অনী শিখি অমদি মীওই কয়া অশোক অপন নঙখি। লৱার ওষ্ট্রেলিয়া ষ্টেট অসিদা অতৈ মীওই অহুমসু উনা ননবদগী শিখি। নোংলৈ নুংশিৎকী অকনবা চৈথেং নঙলিবা মফমশিং অদুদা নুংশিৎকী খোঙজেল অদু পুংদা কিলোমিটর ১০০ হেনখি হায়না লোকেল মেটিওরোলোজিকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা পৱার সপ্লাইদা চাওনা শোকহনবগা লোয়ননা নেসনেল রেলৱে কম্পেনি (ওইবিবি) না তঙাই ফদনা ইষ্ট টৈরো রিজন অমসুং করিন্থিয়া অমসুং ষ্টেরিয়া ষ্টেটশিংদা ট্রেন সার্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌখি। ওআরএফকী মতুং ইন্না নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অদুগী ইমুং ৬৫,০০০ মৈ ফঙখিদে।